# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 26-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা রিজনেল কন্নেক্তিভিতি স্কিম- উরান টু পোইন্ট জিরো চৎনহনবদা অয়াবা পীখ্রে।

কেন্দ্র সরকারনা উরান স্কিমগী অপুনবা শেনফম লুপা কোতি লিশিং ২৮ হেন্না কাইথোকবা ৱারেপ লৌরকপদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

২) কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজুনা হায়রি- নোংচুপ এসিয়াদা ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা সরকারনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংদা রাজনীতি দলশিংনা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে।

অমসুং

৩) নোংচুপ এসিয়াদা নোংমৈ কাপবা লেপবা হোৎনরিবা অদু ইরান্না য়ারক্তবদগী চাউনা নিংহন্নবা থোক্লে।

------

কেবিনেট ঃ কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা রিজনেল কন্নেক্তিভিতি স্কিম- উরান টু পোইন্ট জিরো চৎনহনবদা অয়াবা পীখ্রে। স্কিম অসি চহি ১০ গী ওইনা ইং ২০২৬-২৭ তগী ২০৩৫-৩৬ ফাওবা লুপা কোতি লিশিং ২৮,৮৪০ চংনা পায়খৎকনি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা হায়- লৈবাক অসিগী

মফমশিং শমহন্নবা পান্দমদা এয়ারপোর্ট ১০০ শেমগৎলগনি। মসিনা শেনমিৎলোন ফগৎহনবতা নত্তনা লল্লোন ঈতিক অমসুং তুরিজমগী লমদা চাউনা খুদোংচাবা পীরগনি। মহাকা হায়- থৌরাং অসিনা চীংগী লমদম অমদি মনুং হুঞ্জিনবা মফমশিংদা খুদক্কী ওইবা অমসুং হকশেলগী খুদোংচাবশিং ফংহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। উরান স্কিম অসি ইং ২০১৬ কী ওক্তোবরদা টয়ার টু অমসুং টয়ার থ্রি সহরশিং শমহন্নবা পান্দমদা হৌদোকখিবনি। হৌখিবা চহি ৯ অসিদা এয়ারপোর্ট ৯৫, হেল্লিপোর্ট অমসুং ৱাটর এরোড্রোমশিংগী রুট ৬৬৩ শেমগৎখি।

মন্ত্রিনা হায়- চহি মঙাগী ওইনা চহি অসিগী এপ্রিল ১ দগী ইং ২০৩১ গী মার্চ ৩১ ফাওবা অপুনবা শেনফম লুপা কোতি লিশিং ১,৮০০ খাক্তুনা ইম্মিগ্রেসন, ভিজা, ফোরেন্নর রেজিষ্ট্রেসন এন্দ ট্রেকিং স্কিম মখা চত্থবদা মন্ত্রি মন্দলনা অয়াবা পীখি।

কেন্দ্র সরকারনা অনৌবা এয়ারপোর্টশিং শাবা অমসুং হৌজিক মথৌ তৌরিবা এয়ারপোর্টশিং শেমগৎ শাগৎপগী উরান স্কিমদা অপুনবা শেনফম লুপা কোতি লিশিং ২৮,৮৪০ হেন্না থাদনবা ৱারেপ লৌরকপদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

ৱারোল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- কেন্দ্র সরকারগী খোঙথাং অসিনা লৈবাক অসিগী রাজ্যশিংগী মরক্তা চৎথোক চৎশিনদা চাউনা মতেং ওইরগনি। মসিনা শেনমিৎলোনগী লমদসু খুদোংচাবা কয়া পীরগনি। শোত্থনা লৈহৌরিবা মফমশিংসু ফ্লাইট সার্ভিসশিং ফংহন্দুনা লৈবাক অসি পুন্না চাওখৎপগী লম্বীদা চংশিনবা ঙম্লগনি।

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অককবা পাউগী মতুংইন্না সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা পাৎশোইদগী য়ু.এন.এল.এফ (পাম্বৈ)গী হকচিনবা মীওই অমা ফাখি। মঙোনদগী মোবাইল ফোন অমা ফংলে হায়রি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা লিতান অমসুং মোংকৎ চেপু অপ্পর ভিলেজদা শারম্বা বঙ্কর ৬ ঙরাং থুগাইখি। মসিগা লোয়ননা ইরাংনা শোকহল্লবা লিতান এরিয়াদা লৈরম্বা বঙ্কর অয়াম্বা থুগাইখ্রে। সেক্যুরিতি ফোর্সশিং মফম অসিদা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈদুনা মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা হোৎনরি।

মরক অসিদা, নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ২৩৮ অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল্লোমদা পুশিল্লকখ্রে।

বিরেন (এল)ঃ অসামদা চুরাচান্দপুর জিলাদগী মীওই অনি লুপা কোতি ৩ লোমগী হিরোইনগা কোন্ননা ফাখিবা অসিনা তাকপদি লমদম অসিদা নার্কোতিক্সকী নেটৱার্ক পাকথোক চাউথোরকপগী ময়েক লারবা খুদমনি হায়না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি। অসিগুম্বা থৌওং অসি অৱাং নোংপোক লমদমদা তোইনা থোকনবা পাড অমগুম ওইহল্লোইশি হায়রি। মহাক া হায়- স্পেসিয়েল টাস্ক ফোর্স অমসুং কামরুপ পুলিসনা অককবা পাউগী মতুংইন্না চথখিবা ওপরেসনদা ড্রগ লল্লোনবশিং ফাখিবা অদু থাগৎনিঙাইনি।

আর্ট এন্দ কলচর (এল)ঃ আর্ট এন্দ কলচর বিভাগনা শিন্দুনা সোমনাথ স্বাভিমান পর্বাগা চহি লিশিং ১ হেন্না কাইরক্ত্রবা লাইনিং লাইশোলগী থৌরম ঙসি নুংথিল হিয়াংথাংদা লৈবা হৈবোক মহাদেবদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচরগী মন্ত্রি খুরাইজম লোকেন সিংহ শরুক য়াগনি।

মীফম ঃ কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না হায়রি- নোংচুপ এসিয়াদা ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা সরকারনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংদা রাজনীতি দলশিংনা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে।

নোংচুপ এসিয়াদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্ট হাউসকী কমপ্লেক্সতা ঙরাং পাঙথোকপা রাজনীতি দল পুমমক্কী মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রিজিজ্না মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা রাজনীতি দল পুমমক্কী সদস্যশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ, মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্কর, পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রি হরদিপ সিংহ পুরি, পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ, কংগ্রেস লুচিংবা মুকুল ৱাজনিকচিংবা শরুক য়াখি।

নোংচুপ এসিয়াদা উংখৎনবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিনা গল্ফ লৈবাকশিংদা লৈরিবা ভারত মচাশিং অশোই অঙাম থোকহন্দনবা অমদি মেরি টাইম কোরিদোরদা অপনবা পীরকপনচিংবশিংগী য়েংলগা মীফম অসি পাঙথোকপনি।

ৱেষ্ট এসিয়া ঃ নোংচুপ এসিয়াদা নোংমৈ কাপবা লেপবা হোৎনরিবা অদু ইরান্না য়ারক্তবদগী চাউনা নিংহন্নবা থোক্লে।

আমেরিকানা তোঙান তোঙানবা পোইন্ট ১৫ য়াওবা ৱাফম পুখৎলকখিবা অদুবু ইরান্না য়াখিদ্রে। ইরানগী ষ্টেট মিদিয়ানা হায়- টেহরান্না ৱাফমশিং অদু ফংলে, অদুবু মদু কা হেনবা অমনি খন্না ইরান্না য়াদবনি। মদুগী মায়োক্তা ইরান্না পোইন্ট মঙা য়াওবা প্রস্তাব ওইনা পুখৎলকখি। আমেরিকানা পুখৎলকখিবা প্রস্তাবশিংগী মনুংদা ইরানগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম হন্থহনবা, মিসাইলগী তৌবা ঙম্বা শক্তি হন্থহনবা, ষ্ট্রেট ওফ হোরমুস হাংদোকহনবা, লমদমগী ওইবা খুৎলায় পায়বশিং শৌগৎপগী থবক তোকপনচিংবা ৱাফমশিং য়াওরি।

ইরানগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল অমনা হায়- লৈবাক অদুনা ৱারেপ লৌজরবা মতমদা লান অসি লেপকনি। মখোয়গী ৱাফমশিং য়ারবা মতুংদা লান অসি লেপকনি হায়রি। চয়োল মরি শুজিল্লক্লবা লান অসিদা ঙরাং ইরান অমসুং মসিগা চুংশিন্নবা কাংলুপশিংনা ইজরেলগী মফমশিং অমদি গল্ফকী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংদা নৌনা লান্দাখি। ইজরেল লান্মীনা ইরানগী মফম কয়াদা নোংথক্তগী লান্দাখি।

নাগালেন্দ ঃ নাগালেন্দ বিধান সভাগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী মীফম ঙসিদগী মখা চথুরগনি। শেল থুমগী বিভাগসু পুরিবা মুখ্য মন্ত্রি নৈফিউ রিওনা শেনবা চহি

২০২৬-২৭ কী ষ্টেট বজেৎ সভাদা পুথোক্কনি। নুমিৎ নিনি চত্থগদবা মীফম অসিদা সভানা সি.এ.জি রিপোর্ট অমসুং শেনবা চহি ২০২৫-২৬ কী সপ্লিমেন্টরি দিমান্দস ফোর গ্রান্টস খন্নগনি। হয়েং রাজ্যগী বজেৎকী মতাংদা খন্নগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সি.এম. খেমচান্দনা প্রসিদেন্ট মুরমু উন্নরগা ষ্টেটকী ইসু খন্নখ্রে হায়বা পাউনর অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসন, সনালৈবাক্তা অহানবা হেদলাাইন তৌরি।

দিল্লরশিং থাউ লৌবা ঙম্লক্তবদগী ওইল পম্পশিং থোঙ লোন্নবা হৌরে হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরগী ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। নুংশিৎ শেংহন্নবা দি.য়ুদা লৈবাক অসিগী অহানবা কার্বোন গার্দেন শেমগৎখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী এনকর কলমদা ফোংলি।

কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা ঙরাংসু কুকি অমসুং তাঙ্খুলগী মরক্তা খুৎ থোকবা লেপত্রি, লাইসেন্স গন পীখৎলকবা ওর্দর থোক্কদবনি হায়না টি.এন.এলনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা সনালৌক্তা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ফোরেন্নরশিং রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী থবক মখা তানা চত্থনবা কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে হায়বা পাউনা মণিপ্র মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা অমনা ফাওবা এপ্লাই তৌরকখ্রবসু এম.য়ুগী ১৫ সুবা কনভোকেসনদদি নোন-একাদমিক ওর্নরেরি ডোক্তরেট দিগ্রি পীররোই হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন হেদলাইন ওইরি।

চুরাচান্দপুরদা সি.আর.পি.এফকী গাড়ি থিংখিবগী পাউনা দ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

চুরাচান্দপুরদগী লাকপা মীওই অনিদগী লুপা ক্রোর অহুম লোমগী ওইবা ড্রগকা কোন্ননা অসাম ফারে হায়বা পাউনা দ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা অহলশিংগী ওইবা অখন্নবা কেটরেক্ত স্ক্রিনিং অমদি সরজরি দ্রাইভ তৌরগনি হায়না লাউথোকখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দ গানফিউ মেলদা- গোইনাংলোং খুঙ্গংদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতুংদা এ.জেদ.এস.য়ু(এ.এম.এন)না জে.য়ু.এফ অমদি এন.এস.সি.এন(আই.এম)দা শান্তি লৈহন্নবা আপীল তৌখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

রোংমৈ নাগা কাউন্সিল মণিপুর, ওইনামলোং দিভিজন্না কাইফুনদাই খুঙ্গংদা নোংমৈ কাপখিবগী থৌদোক য়ানিংদবা ফোংদোকখিবগী পাউনা অমসুং তমেংলোং হেদক্বাটরসগী আর.বি.সি.সি কমপ্লেক্সতা চথরি হায়বা পাউনা দ তমেংলোং টাইমসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------